# হীদাক কান্নরবা পান্থীশিং ঃ লোক-উরী


– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ



পান্থী অসি উরি (Climber) নৎত্রবসু করিগীদমক লোক-উরী হায়না কৌরিবনো হায়না য়েংবদা ওইথোকপা য়াবদা পান্থী অসি লুবা ঈশিং ফজনা লৈবা নৎত্রগা ঈশিং মনিলগী চাং য়াম্না য়াওবা মফমশিংদা নৎত্রগা লোকচপতা হৌবা অদুগা পান্থী অদুগী মসা (Branch) অদু য়াম্না শাংদুনা য়ান্থরপ তৌনা হৌবদগী ওইরমগনি হায়না খল্লি। লোক-উরী পান্থী অসি ইংলিসতা চারকোল ত্রী (Charcoal tree) নৎত্রগা পীজন রুড (Pigeon wood) নৎত্রগা ইন্দিয়ান নেত্তল ত্রী (Indian nettle tree) নৎত্রগা ইন্দিয়ান চারকোল ত্রী (Indian charcoal tree), বেঙ্গলিদা চীকান (Chikan) নৎত্রগা জীবান (Jiban), হিন্দিদাদা গোর্ক্লু (Gorklu) নৎত্রগা গীও (Gio) নৎত্রগা ফাকদেমা (Phakdema) নৎত্রগা কাকামুসতী (Kakammusti), সংস্কৃত্তা জীভান্তী (Jivanti), থাইদা পাদাঙ (Padang) নৎত্রগা তাখাই (Takhai), ভিয়েটনামিজদা হু-দাই (Hu-dai), লাওদা পো-হু (Po-hu), জপানিজদা উাজিরোনোকী (Urajiroenoki), জাভানিজ দা এঙ্গেরুং (Anggerung), ইন্দোনেসিয়ানদা কুরে (Kuray), ফিলিপিনোদা এনবিওং (Anabiong) নৎত্রগা পিতিদান (Pitidan), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোতানিকেলগী ওইবা মমিংদা *ত্রেমা ওরিয়েন্তেলিস* (*Trema oreintalis (Linn.) Blume*) নৎত্রগা *ত্রেমা এফিনিস* (*Trema affinis (Planch) Blume*), নৎত্রগা *ত্রেমা আফ্রিকানা* (*Trema africana Blume*) নৎত্রগা *ত্রেমা কমর্সোনাই* (*Trema commersonii (Decne ex Planch) Blume*) নৎত্রগা *ত্রেমা ভেলুতিনা* (*Trema velutine (Planch) Blume*) নৎত্রগা *সেলতিস দিসকলর* (*Celtis discolor Brongn*) নৎত্রগা *সেলতিস মাদাগাসকরেন্সিস* (*Celtis madagascarensis Bojer*) নৎত্রগা *স্পোনিয়া এন্দরেসা* (*Sponia andaresa Comn. ex Lam*) নৎত্রগা *স্পোনিয়া ওরেন্তেলিস* (*Sponia orientalis (Linn.) Decne*) হায়না কৌই অমসুং উলমেসী (Ulmaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লোক-উরী পান্থী অসি খা আফ্রিকা, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা চাইনা, ইন্দিয়া, আরাবিয়ান ঈথৎশিং অসিদগী হৌরকখিবনি। ইন্দিয়ান সব-কোন্তিনেন্ট মরু ওইনা ইন্দিয়া, পাকিস্টান, নেপাল, ভুতান অমসুং বাংলাদেশতা লোক-উরী পান্থী অসি অদুমক মরাং কায়না হৌই। লোক-উরী পান্থী অসি জপান, ম্যান্মার, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, মলেসিয়া, ইন্দোনেসিয়া অমসুং পেসিফিক্কী ঈথৎশিংদসু হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ইন্দিয়াগী মনুংদা লোক-উরী পান্থী অসি মণিপুর অমসুং অসামদা ফজনা হৌই। লোক-উরী পান্থী অসি মিটর ১৮ ফাওবা ৱাংবা য়াম্না শাংবা মসাশিং য়ান্থদুনা অমদি শন্দোক্তুনা হৌবা অপিকপা উ পান্থী অমনি।

লোক-উরী পান্থী অসি মীওইবনা মখল-মখা কয়াগী হীরমশিংদা শীজিন্নে। পান্থী অসিগী উদগী মৈতাল লোকপদা পাক শন্না শীজিন্নবা অমদি মগুন লৈবা মরম্না পান্থী অসি ইন্দিয়ন চার্কোল ত্রী হায়না কৌনরিবনি। লোক-উরী পান্থী অসি য়াম্না থুনা চাওগনবা মরম্নসু শীং ওইনা নৎত্রগা মৈতাল লোক্লবসু মফম খরদা থান্নবগী পাউদমশিং লৈ। লোক-উরী পান্থীগী উগী মকু অদু থৌরি, লং অমসুং খোংনবা




যন্ত্রশিংগী মরী শাবদা শীজিন্নে। পান্থী অসিগী উ অসি চে অমসুং চেগী পোৎথোকশিং শাবদসু য়াম্না খুদোং চাই। লোক-উরীগী মনা, মহৈ অমসুং মরূ অদু ফিলিপিন্সতদি শা-ষনগী মচীঞ্জাক ওইনা পীজনবগী পাউদমশিং লৈ। লোক-উরী পান্থী অসিদা য়ামদ্রবদা কুরাক মখল ১৪ গী তীনশিং (Larvae) গী মচীঞ্জাক চাফম ওইবগী মথক্তা মখল-মখা কয়াগী উচেকশিং অসিনা মহৈ অদু পাম্না চাবগী মথক্তা পান্থী অদুদা তারিবা তীনশিং অদু চান্নবগীদমক্তা য়াম্না তোয়না পাইরক্তুনা চাক্তাই। খুনুশিংনা লোক-উরী পান্থী অসিদা য়াম্না তোয়না চাক্তাবা মরম্না লোক-উরী পান্থী অসিবু পীজন রুড হায়নসু কৌনৈ। লোক-উরী পান্থীদা খুনুগী মহুম (মকোন)সু তোয়না শাবা থেংনৈ। মরম অসিনা লোক-উরী পান্থী অসি বাওইদাইর্বসিতিগী মীৎয়েংদা থোইদোক-হেন্দোক্লা মরু ওইবা পান্থী অমা ওইরি। পাউদমগী মতুং ইন্না লোক-উরী পান্থী অসি নাইত্রোজেন চুপশিনবা ঙম্বা মরম্না লৈহাও ইচেন-চেন্দ্রবা লৈবাক লৈশা অদু লৈহাও নীংথিজনা চেলহনবা ঙমবা মরম্না উমং-ৱামং অমসুং মনা-মশীং নীংথিজনা হৌবা ঙমদ্রবা মফমশিংদা থাদুনা অফবা মফম ওইহ্নোহন্নবা থাদুনা শীজিন্নে। মসিনা মরম ওইদুনা কোফী, চা অমসুং অতোপ্পা মহায়-মরোং থাবা মফমশিংদা এগ্রোফোরেস্ত্রি স্পিসিস অমা ওইনসু থান্নে।

লোক-উরী পান্থীগী উগী মকু অদুদগী মুরপ তৌবা মচু অমা শেম্নে। পান্থী অসিগী মনুং থংবা উগী মকু অদুদগী লৌবা মচু অদু থৌরী অমসুং ফী-রোলশিং মচু শংবদা শীজিন্নবদা থোইদোক্লা মপাঙ্গল পীবগী মথক্তা শুম অমসুং তীননা চাথোকপা ঙমহন্দে হায়বগী পাউদম লৈ।

হীদাক ওইনা লোক-উরী পান্থী অসি মখল কয়াগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নে। পাউদমশিংগী মতুং ইন্না লোক-উরী পান্থী অসিগী মনা অমসুং উগী মকু অদু লোক থুংবা, খৌনাওদা অশীনবা কাবা, হরা-কংকু তৌবা, অরুম-লায়হৌ তৌবা, নুপানা থাগী খোংকাপ চৎপদা য়াম্না শাবা, হাক্কচাবা অমদি নাবা, য়া চীকপা অসিনচিংবশিং লায়েংবদা শীজিন্নে। হু কাবা জীবশিংনা চীকপদা লোক-উরী পান্থীগী নৌতক তৌবা মনা অদু শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংনবগী পাউদমসু লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা কন্না খোঙ হামথরবদি লোক-উরী পান্থীগী উগী মকু অদু অফবা ঈশিংদা পুং খরা তীংদুনা ফীজুম্না ফজনা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা লায়েংনৈ। ইকুই কুইদ্রিবা বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদম অমগী মতুং ইন্না লোক-উরী পান্থীগী উগী মকু অদু ঈশিংদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু লেবোরেতোরিদা শাদা চাংয়েং তৌবদা ঈদা য়াওবা চিনিগী চাং অদু মপুং ফানা হন্থহনবা ঙম্বা মরম্না পান্থী অসি মীওইবগী দাইবেতিস লায়না অসিদা থোইদোক্লা কান্নহনবা য়াই হায়বসিনি। লোক-উরী পান্থীগী উ অদু মকক-মকক কল্লগা মৈদা লৌরবা মতুংদা ঈশিং খরদা ফুৎলগা লৌবা মহী অদ পীথক্তনা খোং হামথবা অসি লায়েংনবগী পাউদমস লৈ। ●



# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নুংশিৎকী অমোৎপদি মেছিন্না ওনগদৌরে, শেংদোক্লবগী মেছিনদি কদায়

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

সেন্ত্রেল পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দকী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ত্রোল বোর্দনা ইম্ফাল সিটি অমদি অতৈ অতৈ মফম খরদসু নুংশিৎকী ক্বালিটি অসি নুমিৎ খুদিংগী পুং ২৪ চূপ্পা মোনিটরিং তৌদুনা নুংশিৎতা য়াওবা পোল্ল্যুটেন্ট মখল ১২গী মশক অমসুং চাং খঙদোকপা ঙম্বা এয়র মোনিটরিং মেছিন কয়া খিন্দুনা মণিপুর মীয়ামদা দিজিটেল দিসপ্লে তৌদুনা খঙহনগনি তাবদা নুংঙাইবা অমদি পোকই। অসিগুম্বা মণিপুরদা শীজিন্নগদৌরিবা মেছিনশিং য়াম্না ক্বালিটি লৈনা সেন্সিটিব অমসুং সোফিষ্টিকেটেদ ওইরগদি মণিপুরদা শিৎলিবা নুংশিৎতা য়াওরিবা মখল কয়াগী পোল্ল্যুটেন্টশিং অসিগী মশক মমিং অফ-ফত্ত অমসুং য়াওবগী চাং অদু য়াম্না লায়না দিজিটেল দিসপ্লেদা উৎতুনা তাক্লক্কদৌরি। অদুমকপু হৌজিক হায়নরিবা মেছিন অসিনা দিটেক্ট তৌবা ঙমদবা হু চেনবা পোৎলম খরসু মণিপুরগী নুংশিৎ মত্তা অসিদা য়াওরম্বসু য়ারিবনি। মোনিটরিং মেছিনশিং হান্না থৌরাং তৌদুনা খিনগদৌরিবসিনা তাকপদি হু চেল্লিবা পোল্ল্যুটেন্টশিং অসি লৈবাক মীয়ামদা হান্না ৱাখল তাহল্লগা করম্না, কদায়দগী লাক্লিবনো অমসুং করম্না নুংশিৎতগী লৌথোক্কনি হায়বনচিংবগী রিছার্স ৱর্ক হান্না তৌরবা মতুংদা কোন্না অমোৎপা নুংশিৎতু শেংদোক্কে হায়বগী প্লান তৌরক্কদবসু মাল্লি।

অসিগুম্বা মেছিনশিং অসি মণিপুরদা শাবা ঙম্বা পোৎ হায়বদু ওইদবনিনা শেল য়াম্না তিংনা মণিপুরগী মপান্দগী লৈগদৌরিবনি। মণিপুরগী মীয়ামসু অনৌবা পোৎশক্তা ঙাওজবনিনা লমদম অসিদা ইহান হানবা ওইগদৌরিবা মেছিন অদুগী খিনফম মনাক্তা দিজিটেল দিসপ্লে অদু য়েংনবগী অমগা অমগা কুক-কুক ইন্নগদৌরিবনি। দিজিটেল দিসপ্লে অদুদা হু চেনবা হকচাং শোক্লীংঙাই ওইবা পোৎলমশিংগী চাংনা ৱাংখৎপা উরগদি, অয়েংবা উরিবা মীওইশিংনা মীপায়নবা পোক্লদুনা ষ্টেট অসিগী অচৌবা প্রোব্লেম অমা ওইরগনি। পুং ২৪ চূপ্পা ইম্ফাল ময়োনগী অমোৎপা নুংশিৎ হোঞ্জিন্দুনা মোনিটরিং তৌরিবা মেছিন অদুসু নোংমদি খঙহৌদনা বেরা থাংলক্কনি। মণিপুরগী ওইনদি অয়াম্বা মতমদা অসুম্না মপান্দগী লৈশিল্লুবা সোফিষ্টিকেটেদ খূৎশু-খূৎলায়শিং অমসুং মেছিনশিং অসি য়ারক্ত্রবা মতমদা অথু-অকায় নংনবা রিপেয়র তৌবা নৎত্রগা অনৌবা অমা শিন্দোকপা হায়বসি খজিক-খরাক্কী অরায়বা থবক ওইগন্দে হায়বসি মীয়াম্না হান্নবা খঙনদুনা লাক্লবা ৱাফমনি। অদুনা মেছিনশিং অদু লম্বী সরক ময়া, ফুট পাথ মথক অমদি মী য়াম্না চিনগনবা মফম নত্তবীদা অতোপ্পা মীয়ামগী খুদোংচাগদবা মফমশিংদা খিনবীদুনা পুং ২৪ চূপ্পা ঙাক শেনবীবা হায়বা অমসু তঙাইফদনা চঙদবা য়ারক্লোইদৌরিবনি।

মণিপুরদা মখল কয়াগী ইন্দষ্ট্রিশিংমক্তি লৈত্রিবনিনা মণিপুরগী মফমশিংদা মরুওইনা ইম্ফাল ময়োলদা নুংশিৎকী ক্বালিটি ফৎহন্দবগী মরমশিংদি অমোৎপা লম্বী সরকশিংদগী হৌবা হকচাংদা টোক্সিক ওইগদবা উফুল-ৱায়ফুলদা য়াওরিবা পোল্ল্যুটেন্টশিংনা অমসুং মশীং য়ামখৎলক্লিবা গাড়ীশিংদগী থোরকপা মৈখুশিংনা কা হেন্না নুংশিৎতা তিনশিনবা অসিনি। অসিদসু নত্তনা মৈ হৌবদা শীংয়েন অমসুং ৱাইনম শীজিন্নবা, বোম্বুলা-মৈকাপ্পী থাবা, লৌবুক-লমহাংদা চরূ মৈ থাবা অমসুং প্লাষ্টিক য়াওবা ফত্ত-হৌদিনচিংবা মৈ থানবগী চৎনবী, হৈনবীশিং অসিসু নুংশিৎ মোৎহনবগী মরমশিংনি। নুংশিৎকী অমোৎপগী অকূপ্পা মরোল অদু হেন্না কূপশিন্না খঙনবা কন্টিন্যুয়স এম্বিয়েন্ট এয়র ক্বালিটি মোনিটরিং প্রোজেক্ট অসি পায়খৎপা ফরগসু, ইশা-ইশাগী হকচাংগী সিষ্টমদা তোঙানবা মেনিফেষ্টেসনশিং উৎলক্তুনা লমদম অসিগী নুংশিৎ অসি য়াম্না মোৎশিল্লক্লে হায়বসিমদি মেছিন শীজিন্নদ্রবসু হান্নবা তাক্তুনা লাকখ্রবনি। দিজিটেল দিসপ্লে অদু উরুরগা, নুংশিৎ অমোৎপা ঙাকথোক্কনবনি হায়দুনা মীপূম খুদিংমক পুং ২৪ চূপ্পা মায়গী মাস্ক শীজিন্নদুনা লৈরবদি খুন্নাই অসি য়াম্না মরিং-মরাংনা উরগনি।

অরোইবদা, লৈঙাক অমসুং মীয়াম পূন্না ৱাখল তামিন্নদুনা ইরমদম অসিগী অকোয়বগী ফীভম অসি লূ-নান্না থম্নবা থৌশিল থৌরাংবু হান্না লৌখৎহন্নীংই। য়ারগদি মফম খুদিংদা নুংশিৎ শেংদোক্লবা এয়র প্যুরিফায়িং দিজিটেল মেছিন ফাওবা খিলহন্নীংই।

*অদোমগী - ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ, ইম্ফাল ৱেষ্ট*

## মরোল থোকপা লাই




ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019




SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS

WINTER VACATION SPECIAL CAMP
CLASS I TO VII Starts on 19 December 2019 CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writters & Former Head Examiners

7th MEGA MOCK TEST

| Date | Sub. |
| --- | --- |
| 13/01/20 | English |
| 15/01/20 | S. Science |
| 18/01/20 | Maths |
| 20/01/20 | Science |
| 22/01/20 | Adl. Sub. |
| 24/01/20 | MIL |

Last date of Form Submission 31/12/2019

PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-P/5855/4/12-4/01

TODAY HOUSIE BUMPER DRAW TODAY
Date | Time :
Saturday 4th January 2020 ( 5 p.m)
in aid of
Annual fund Drive
Kshetrigao Kendra Construction Worker Union
Kongba|Regd.896 of 2017
Ticket Rate Rs.1500/-
1ST HOUSEFULL 2 LAKHS
2ND HOUSEFULL 2 LAKHS
3RD HOUSEFULL 1 LAKHS
2 TICKET QUICK 10 Rs.30,000/-
VENUE: NSK WANGKHEI KEITHEL ASANGBI
MINI BUMPER
TICKET RATE - Rs.500/-




2ND MINI BUMPER
Ticket Rate Rs.150/-
Housefull Rs.30,000/-
2 TICKET QUICK 10 Rs.3,000/-
HL-P/5858/04

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।